২১শুবা চেলেঞ্জ কপ ভেটরান্স ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯

# ভি এফ সী এনা লাঙ্গোল এফ সীবু মায়থীবা পীখ্রে সাইক্লোন এনা য়ু ভি এস এবু ৬-১দা থোইখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৬ (ঐচ এন এস):

মণিপুর ভেটরান এসোসিএসননা শীন্দুনা খুমন লম্পাক্তা লৈবা অর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা সলাই হোল্ডিংস প্রাইভেট লিমিটেদনা স্পোন্সর তৌদুনা পাঙথোকপা ২১শুবা চেলেঞ্জ কপ ভেটরান্স ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা ভি এফ সী (এ) শিংজমৈনা লাঙ্গোল এফ সীবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে, অদুগা সাইক্লোন এনা য়ু ভি এস এ লিল্লোং চজিংবু ৬-১ দা থোইখ্রে।



ঙসি ২১শুবা চেলেঞ্জ কপ ভেটরান্স ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী অহানবা গ্রাউন্দদা ভি এফ সী (এ) শিংজমৈ অমসুং লাঙ্গোল এফ সীনা লম্বা তৌনরকপদা অহৌবগী ৮শুবা মিনিটতা ভি এফ সী (এ)গী কে ঐচ রতননা অহানবা পাঞ্জল চনখি। মিনিট ৪ লৈরগা লাঙ্গোল এফ সীগী মায়কৈদগী এম রঞ্জননা ইক্বেলাইজর অদু চনখি।

শান্নবগী ২২শুবা মিনিটতা ভি এফ সী এগী হেমিনথাংনা পাঞ্জল ১ চনশিন দুনা লাঙ্গোল এফ সীবু ২-১দা হেন্দুনা লৈখি। মেচকী ৪১ শুবা মিনিটতা ভি এফ সী (এ)গী টি ঐচ সুরঞ্জিৎনা পাঞ্জল ১গা চনশিল্লগা মেচ অদু মখোয়না লাঙ্গোল এফ সীবু ৩-১দা থোইখি।

ঙসি টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা সাইক্লোন (এ) থাংমৈবন্দ অমসুং য়ু ভি এস এ (পাওনা) লিল্লোং চজিংগা লম্বা তৌনবদা সাইক্লোন (এ)না য়াম্না হেন্দুনা পাঞ্জল ৬-১ দা থোইখি।

মেচকী অহানবা হাফকী লোইরমদাইদা সাইক্লোন (এ)গী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ১২ দল্লিয়ু খোগেননা শান্নবগী ২৫শুবা মিনিটতা অহানবা পাঞ্জল চনখি। মখা তানা সাইক্লোন এগী শান্নরোয়শিংনা চথুরকপা এটেক অমদা টিম অদুগী কেজি কোমনা ৪০শুবা মিনিটতা পাঞ্জল অমগা হাপচিনখি। থংনবা মিনিটতা টিম অদুম্মক্কী শান্নরোয় এল রোনেলদ্রোনা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা ৩-০দা লৈখি।

য়ু ভি এস এ (পাওনা)গী মায়কৈদগী মেচকী ৪৩শুবা মিনিটতা টিম অদুগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ৬ আর কে সনাহলনা শোত্থখিবা পাঞ্জল ৩গী মনুংদা ১ হন্দোকপা ঙমখি। অদুবু সাইক্লোন এ থাংমৈবন্দগী মখা তাবা এটেকশিংদা য়ু ভি এস এগী শান্নরোয়শিংনা থিংবা ঙমদনা লৈরিঙৈ শান্নবগী ৪৫শুবা মিনিটতা সাইক্লোন (এ)গী জর্সি নম্বর ১৬ এম বিমোলচান্দনা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা সাইক্লোন (এ)না য়ু ভি এস এবু ৪-১দা হেন্দুনা লৈখি। মখা চথুরকপা শান্নবগী ৫৩শুবা মিনিটতা সাইক্লোন (এ)গী এন উত্তমনা টিম অদুগী মঙাশুবা পাঞ্জল চনখি। মহাক্না অমুক্কা হন্না ৫৮শুবা মিনিটতা পাঞ্জল অমগা চল্লগা য়ু ভি এস এবু ৬-১ দা মায়থীবা পীখি।

অহানবা সাপম তোম্বী সিংহ মেমোরিএল সব-জুনিয়র গর্লস ইন্টর ক্লব ফুটবোল

# দল্লিয়ু এফ এ ককচীং অমসুং ৰাই দল্লিয়ু সী (এল) মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৬ (ঐচ এন এস):

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা ইম্ফালগী মপান কাংজৈবুংদা পাঙথোক্লিবা অহানবা সব-জুনিয়র গর্লস ইন্টর ক্লব ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ ঙসি শান্নখিবা মেচতা দল্লিয়ু এফ এ ককচীংনা পি এল এ চুড়াচান্দপুরবু পাঞ্জল ৫-০ দা মায়থীবা পীখ্রে অমসুং ৰাই দল্লিয়ু সী (এল)না এ এম এম এবু পাঞ্জল ৬-০ দা মায়থীবা পীখ্রে।



মেচ অসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা দল্লিয়ু এফ এ, ককচীং অমসুং পি এল এ চুড়াচান্দপুর শান্নখি। মেচ অসি হেক হৌবদগী হৌনা দল্লিয়ু এফ এ ককচীংনা পি এল এল চুড়াচান্দপুরবু য়াম্না লাকচনা শান্নরকখি। দল্লিয়ু এফ এ ককচীংগী জর্সি নম্বর ১১ এম অম্বিকানা মেচকী ১৫শুবা মিনিটতা গোল চন্দুনা ১-০ দা মাংজিল থাখি। মেচ অসি দল্লিয়ু এফ এ ককচীংনা য়াম্না লাকচনা শান্নখি। দল্লিয়ু এফ এ ককচীংগী প্লেয়র কে ঐচ ভুমিকা জর্সি নম্বর ১০না ২২শুবা মিনিটতা গোল চন্দুনা ২-০ দা লীদ তৌদুনা চৎখি। অমুক্কসু দল্লিয়ু এফ এ ককচীংগী এম অম্বিকানা ২৭শুবা মিনিটতা মহাক্কী অনীরকশুবা গোল চন্দুনা ৩-০ দা লৈহনখি। মেচ অসি পি এল এল চুড়াচান্দপুরগী মায়কৈদগী হেল্লিবা গোলশিং অদু হন্দোক্লবা য়াম্না কন্না হোৎনরবসু অহানবা হাফ লোইরবা ফাওবা হন্দোকাপ ঙমদনা লৈখি।

মেচ অসিগী অনীশুবা হাফতা পি এল এল চুড়াচান্দপুরগী একাউন্ট হাংবা ঙম্লবা অহেনবা প্রেসর পীদুনা এটেক কয়া চথুরকখি। অদুবু এটেকশিং অদু দল্লিয়ু এফ এ ককচীংগী দিফেন্দরনা নীংথিনা দিফেন্দ তৌখি।

দল্লিয়ু এফ এ ককচীংগী জর্সি নম্বর ১৬ পি মিরানা ৩৫শুবা মিনিটতা গোল চন্দুনা মখোয়গী স্কোল ৪দা লৈখি। দল্লিয়ু এফ এ ককচীংগী জর্সি নম্বর ১০ কে ঐচ ভুমিকানা ৫৯ চৎপা মিনিটতা মহাক্কী অনীশুবা গোল চন্দুনা ৫-০ দা মাংজিল থাহনখি। পি এল এ চুড়াচান্দপুরগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না একাউন্ট হাংনবা হোৎনরবসু মেচ অসিগী লোইরমদাই ফাওবা হাংবা ঙমখিদে। মেচ অসি দল্লিয়ু এফ এ ককচীংনা পি এল এ চুড়াচান্দপুরবু য়াম্না থিনা ৫-০ দা মায়থীবা পীখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা গ্রাউন্দদা ৰাই দল্লিয়ু সী (এল)না এ এম এম এবু পাঞ্জল ৬-০দা মায়থীবা পীখি। মেচ অসিগী অহানবা হাফতা ৰাই দল্লিয়ু সীনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নখি। মেচ অসি হেক হৌবগী মিনিট ৪দা ৰাই দল্লিয়ু সী (এল)গী জর্সি ১৪ হোইনৈহটনা মেচ অসিগী অহানবা গোল চনখি। মেচ অসি ৰাই দল্লিয়ু সীনা গোল ১-০ দা মাংজিল থাখি। এ এম এম এগী মায়কৈদগীসু গোল একাউন্ট হাংনবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখি। অদুবু মেচ অসিগী অহানবা হাফ লোইগদৌরবা মতম ফাওবা গোল চনখিদে। মেচ অসিগী লোইরমদাই মিনিট খরখক ঙাইরবা মিনিটতা ৰাই দল্লিয়ু সী (এল)গী জর্সি নম্বর ২০ না গোল চন্দুনা ২-০ দা স্কোর লৈহনখি। ৰাই দল্লিয়ু সীগী জর্সি নম্বর ২০ এল ববিনানা মহাক্কী অনীশুবা গোল মেচকী ২৬ চৎপদা চন্দুনা ৩-০ দা লৈখি। ৰাই দল্লিয়ু সী (এল)গী জর্সি নম্বর ১৪ হোইনৈহটনা মহাক্কী অনীশুবা গোল মেচকী মিনিট ৩১ চৎপদা চনখি অমসুং মহাক্কী অহুমশুবা গোল, হেটট্রিক গোল অদু মেচকী ৪৪ চৎপা মিনিটতা চন্দুনা পাঞ্জল ৫-০ দা লৈখি।

ৰাই দল্লিয়ু সী (এল)গী জর্সি নম্বর ২০সু মহাক্কী হেদট্রিক গোল মেচকী মিনিট ৪০ চৎপদা চনখি। মেচ অসি এ এম এম এনা য়াম্না কন্না মখোয়গী একাউন্ট হাংনবা হোৎনরবসু মেচকী লোইরমদাই ফাওবদা গোল অমফাও হাংবা ঙমদনা লৈখি। মেচ অসি য়াম্না থিনা ৰাই দল্লিয়ু সী (এল)না এ এম এম এবু গোল ৬-০ দা মায়থীবা পীখি।

# কাংশঙ এফ সীনা কে য়ু ককচীংবু ২-০দা থোইখ্রে



ইম্ফাল, মে ৬ (ঐচ এন এস): ফ্রেন্দশিপ স্পোর্টিং ক্লব ককচীংনা শীন্দুনা বেসিক গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা অহানবা ষ্টেট লেবেল ফ্রেন্দশিপ সভেন এ-সাইদ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচ অমদা কাংশঙ এফ সীনা কে য়ু ককচীংবু ২-০ দা থোইখ্রে।

ঙসিগী মেচ অদুগী অহানবা হাফতা কাংশঙ এফ সীগী মায়কৈদগী বোল হেন্না পায়দুনা কে য়ু ককচীংগী মায়কৈদা এটেক কয়া চথবা ঙমখি। শান্নবগী ১৪শুবা মিনিটতা কাংশঙ এফ সীগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ১৫ মোংঙমনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। মহাক্কী পাঞ্জল অদু কে য়ু ককচীংগী শান্নরোয়শিংনা হন্দোকপা ঙমদনা অহানবা হাফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ কাংশঙ এফ সীগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ৭ ৰাংখৈপমনা ৩৬শুবা মিনিটতা পাঞ্জল ১ হাপচিল্লগা কে য়ু ককচীংবু ২-০ দা হেন্দুনা লৈখি। মেচকী মখা তারকপা লম্বাদা কে য়ু ককচীংগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমা ফাওবা হন্দোকপা ঙমদনা ২-০ দা থোইখি।

# মৈরা এফ সিনা এন্দিবর থোইখ্রে, এফ সি লমজাও অমদি টি এম এস এ দ্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৬ (ঐচ এন এস)ঃ

খোঙজোম সর্কল ভেটরান স্পোর্টিং ওর্গনাইজেসননা শীন্দুনা থা অসিগী ২দগী হৌদুনা টেকচম হায়র সেকেন্দরি গ্রাউন্দ, টেকচম কাংজৈবুং চিংথক, সাপম অমদি লাঙথেল শান্নবুংদা টিম ২২না গ্রুপ ৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা চথুরিবা ৫শুবা ভি এস ও ট্রোফি ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা মৈরা এফ সিনা এন্দিবরবু পাঞ্জল ৩-২দা থোইখ্রে। অদুগা অনীশুবা মেচতা এফ সি লমজাও অমদি টি এম এস এ তেকচম দ্রো চৎখ্রে।

ঙসি ৭শুবা মেচ ওইনা এন্দিবর এফ সি অমসুং মৈরা এফ সি লম্বা তৌনখি। মেচ হেক হৌরকপদগী হৌনা টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্না শান্নখি। মেচকী শান্নবা হৌরকপা মিনট ৬শুবদা মৈরা এফ সিগী জর্সি নম্বর ৭ জোন্সন জেরিনা গোল অমা চনখি। গোল অদু চনখ্রবা মতুং টিম অদুগী জর্সি নম্বর ১১ পেত্রিক জেরিনা মিনট ৫ কান্নরবা মতুংদা গোল অমুক চনখি। পাঞ্জল ২ শোথদুনা লৈরিবা এন্দিবর এফ সিনা পাঞ্জল হন্দোক্লবা হোৎনখি। অদুবু শান্নবগী অহানবা হাফ লোইরমদাই ফাওবা গোল হন্দোকপা ঙমখিদবা মরম্না স্কোর বোর্দতা মৈরা এফ সিনা ২-০দা মাংজিল থাখি। মেচ অসিগী অনীশুবা হাফ হৌরকপগা পাঞ্জল ২ শোথদুনা লৈরিবা এন্দিবরগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোক্লবা অকনবা মওংদা এটেক চথুরকখি। শান্নবগী ৪১শুবা মিনটতা টিম অদুগী জর্সি নম্বর ৫ প্রেমজিৎ জেরিনা গোল অমা চন্দুনা ১-২দা লৈখি।

এন্দিবরগী মায়কৈদগী গোল অমা চনখিবা ইকুই কুইদ্রিঙৈ মৈরা এফ সিগী মায়কৈদগী অহানবা গোল চনবা ঙমখিবা জোন্সনা ৪৫শুবা মিনটতা গোল অমমুক চন্দুনা ৩-১দা মাংজিল থাখি। মেচ লোইগদবা মিনট য়ামশিল্লক্ত্রবা মতমদা এন্দিবরগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ৪ রিসিকান্তনা ৪৮শুবা মিনটতা গোল অমা চনখি।

এন্দিবরগী মায়কৈদগী গোল হন্দোক্লবা কন্না হোৎনখি। অদুবু মখা তানা টিম অনিমক অরোইবা মিনট ফাওবা গোল চন্নখিদবনা মৈরা এফ সিনা এন্দিবরবু পাঞ্জল ৩-২দা মায়থীবা পীখি।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেচ অমদা এফ সি লমজাও অমসুং টি এম এস এগা লম্বা তৌনখি। টিম অনীমক লম্বা মান্না শান্নবা হৌরকখি। মেচ হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ মিনট ২শুবদা এফ সি লমজাওগী জর্সি নম্বর ২৫ ই জয়কিশননা গোল অমা চনখি। মেচ অসিগী অহানবা হাফ এফ সি লমজাওনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নখি।

শান্নবগী ১৯শুবা মিনটতা এফ সি লমজাওগী অহানবা গোল চনবা ঙমখিবা জয়কিসননা মহাক্কী অনীশুবা গোল অদু চনখি। পাঞ্জল ২ শোথদুনা লৈরিবা টি এম এস এগী মায়কৈদগী ইক্বেলাইজর চন্নবা কন্না হোৎনখি। অদুবু মায়োক্লবা টিমগী মায়কৈদা অকনবা দিফেন্স লৈবদগী গোল চনবা ঙমদনা ২-০দা অহানবা হাফ লোইনিখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপদা টি এম এস এ টেকচমগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোক্লবা অকনবা লম্বা পীরকখি। মেচকী ৪৭ শুবা মিনটতা টিম অসিগী জর্সিন ম্বর ১৫ প্রেমকুমারনা গোল অমা চন্দুনা ১-২দা লৈখি। শান্নবা লোইগদবা মিনট য়ামশিল্লক্ত্রবা মতমদা টি এম এস এগী জর্সি নম্বর ১১ তোম্বনা মেচকী ৪৯ শুবা মিনটতা গোল অমা চন্দুনা ২-২দা লৈনখিবদগী মেচ অদু দ্রো চৎখি।

# বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতা চহী কাঙলূপ অহুমদা পাঙথোকখিবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৬ (ঐচ এন এস):

চৎলিবা চহী অসিগী জন্যুৰারী ২০ দগী হৌদুনা কেটগোরি অহুম থোক্লা খায়দোক্তুনা চহী ৬ মখা, ৮ মখা অমসুং ১০গী মখাদা পূন্না টিম ৩২না শরুক য়াদুনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈরিবা তোঙান- তোঙানবা কেটগোরিগী ফুটবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোক্তুনা লাকপা অদু ঙসি সলাই হোল্ডিংস প্রাইভেট লিমিটেদকী চেয়রমেন নারেংবম সমরজিৎনা চীফ গেষ্ট ওইদুনা লোইশিনখ্রে।



৮ ৰান অমদি ফুটবোল সোল্যুসননা স্পোন্সর তৌদুনা টি ৰাই দি এ তৌবুলনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা য়ং লিজেন্দস লিগ অদুদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুংদা লৈরিবা চহী ৬কী মখা, ৮গী মখা অমসুং ১০গী মখা খায়দোক্তুনা শান্নখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা চীফ গেষ্ট সমরজিৎনা ফোঙদোকখিবদা মণিপুরদা লৈরিবা ফুটবোলবু পামজবা অমদি মশান্না অসিবু হেন্না খুমাং চাওশিন্নবা হায়দুনা ৮ৰান অমদি ফুটবোল এসোসিএসননা স্পোন্সর তৌদুনা টি ৰাই দি এ তৌবুলনা শীন্দুনা অসিগুম্না পাঙথোক্লিবা অসি য়াম্না ফৈ। মণিপুরীশিংদা লৈজরিবা টেলেন্ট অমদি পোটেন্সিএল অসিবু উথোকচদুনা হেন্না ফবা শান্নরোয় অমমম্ ওইরক্লবা শেন্বীবা অসি দিষ্ট্রিক্ট অসিদগী হৌদুনা অতোপ্পা দিষ্ট্রিক্টশিংদসু শিনবীয়ু। মসিনা শান্নরোয় হেন্না পুথোকপদা মতেং পাংবতা নৎতনা শান্নরোয় কয়া থোকরক্লবগী মচাক অমসু ওইহনবা ঙমগনি হায়খি। লোয়ননা সলাইনসু অঙম্বা মতেং পাংগনি হায়খি।

মমাংদা ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিমগী কেপ্টেন ওইরম্লবা রেনেদিনা ৮ৰান অমদি ফুটবোল সোল্যুসননা স্পোন্সর তৌদুনা পি ৰাই দি এ তৌবুলনা শীনখিবা টুর্নামেন্ট অসিনা নৌরিবা অঙাংশিংদা য়াম্না ফবা খূদোংচাবা অমা পীরি। শান্নরোয়শিংনা মতম শাংনা ট্রেনিং তৌদুনা শান্নবা ফংবা হায়বসি য়াম্না ফবা অমনি। হৌখিবা চহী খরা অসিদা শান্নরোয় কয়া পুথোকপা ঙমদনা লাক্লিবা অসি অসিগুম্বা টুর্নামেন্ট অসিনা অহেনবা শান্নরোয় কয়া পুথোকপা ঙমগনি হায়খি।

থা অহুম চুপ্পা চথুরকখিবা টুর্নামেন্ট অদুদা শরুক য়াখিবা মকোক-মথং তাখ্রবশিং অমদি হৈথোই-শিংথোইরবা শান্নরোয়শিংদা সর্টিফিকেট অমদি ট্রোফি পীদুনা পূক্লিং থৌগৎখি।

# ফুটবোল লভর্স মায় পাকখ্রে, ফোর ষ্টার অমসুং থোই এফ সি দ্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল, মে০৬ (ঐচএনএস)ঃ

এন জি এল নোংপোক লৌরেম্বনা শীন্দুনা পাঙথোকপা ৪শুবা ষ্টেট ওপন লম্বামযুম নোংথোন সিংহ মেমোরিয়েল ৭-এ সাইস কেস প্রাইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচ অমদা মাইচোন এফসিবু ফুটবোল লভর্সনা পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে। অদুগা অতোপ্পা মেচ অমদা ফোর ষ্টার অমসুং থোই এফসি পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎখ্রে।

ঙসি অহানবা গ্রাউন্দদা মাইচোন এফ সি অমসুং ফুটবোল লভর্স লম্বা তৌনখি। ফুটবোল লভর্সকী মায়কৈদগী শান্নবগী ১৯ অমসুং ২১ শুবা মিনটতা কে বোবোসনা অমসুং ৰাই জেমসনা পাঞ্জল অমমম চনখি। অদুগা মাইচোন এফ সিগী মায়কৈদগী কে জুরেনম্বনা ২৪ শুবা মিনটতা পাঞ্জল ১ চল্লগা মেচ অদু ফুটবোল লভর্সনা ২-১দা থোইখি।

ঙসি অনীশুবা গ্রাউন্দদা ফোর ষ্টার অমসুং থোই এফ সিগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎখি। ফোর ষ্টারগী মায়কৈদগী গোপেনা পাঞ্জল অমা অমদুগা থোই এফ সিগী মায়কৈদগীনা লমজিংবনা পাঞ্জল অমা চল্লগা মেচ অদু দ্রো চৎখি।

# ৰুসু এসোসিয়েসন ওফ মণিপুরগী মতাংদা খন্ন-নৈনখ্রে

ইম্ফাল, মে০৬ (ঐচএনএস)ঃ

ৰুসু এসোসিয়েসন ওফ মণিপুরগী চয়েৎনবা লৈরিবা অসিগী মতাংদা ঙসি উরিপোক তৌরাংবম লৈকাইদা লৈবা খোঙবানতাবম প্রেমিলাগী ময়ুমদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা এসোসিয়েসন অসিবু মপাঙ্গল কনহন্দুনা মশান্না অসিবু পামজবা অমদি মমাঙদা মণিপুর খক্তা নত্তনা মালেমগী থাক্তা ইন্দিয়াগী মীচৎ পুরকপা ঙমখ্রবা মণিপুরগী ৰুসু শান্নরোয়শিং অসি কনসি হায়না খন্নখ্রে।

ৰুসু এসোসিয়েসন ওফ মণিপুরগী সেক্রেটরী জয়দেবনা ফোঙদোকখিবদা এসোসিয়েসন অসি অনী থোক্লে। মরম অদুনা মশান্না অসিবু নুংশিবীবা অমসুং মশান্না অসিগীদমক্তা হোৎনরিবা শান্নরোয়শিংগী য়েংলগা নৌনা শেল্লিবা এসোসিয়েসন অসিদা মতেং পাংবীয়ু হায়না ফোঙদোকখি।

মমাঙদা ইন্টর্নেসনল ৰুসু প্লেয়র ওইরম্লবী কে ঐচ প্রেমিবালানা ফোঙদোকখিবদা মহাক মশামক এসোসিয়েসন অমত্তদা য়াওবা লৈখিদ্রবসু হান্নগী এসোসিয়েসনগী মীওইশিংনা নৌনা ইনখৎলক্লিবা শান্নরোইশিংবু নমথবা পামদে। লোয়ননা অনৌবা এসোসিয়েসন অসিবু শৌগৎপীয়ু হায়খি।

নাকল অমরোমদা ইম্ফাল ইষ্ট ৰুসু এসোসিয়েসনগী মায়কৈদগী ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ৰুসু এসোসিয়েনস ওফ মণিপুরগী সেক্রেটরী অমসুং প্রসিদেন্টনি হায়জবা মীওই অনীনা মশান্না অসিগী কাংলোনগী ৰাংমদা থবক পায়খৎলকপা অসি লাইবক থিবনি হায়খ্রে।

এসোসিয়েসন অসিনা ফোঙদোকখিবদা শান্নরোয়শিংবু লান্না চিংশিন্নবা হোৎনবা অসি তুংগী ওইনা মশান্না অসিদা অকায়বা কয়া লাক্কনি হায়না ফোঙদোকখি।

# জিবন অমসুং এস ইনাওনা সি ও সি তাখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৬ (ঐচ এন এস)ঃ ইর্ন্দিয়ন আর্ম রেষ্টলিং ফেদরেসন মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকপা মণিপুর ষ্টেট আর্ম রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৯দা এম পি এসগী জিবননা নুপাগী চেম্পিয়ন ওফ চেম্পিয়ন (সি ও সি)গী মনা ফংখ্রে। অদুগা নুপীগীদনা কে এস দি ওগী এস ইনাওনা সি ও সি তাখ্রে। কে এস দিওনা চেম্পিয়নশিপ অসিগী টিম চেম্পিয়ন অদুগা এম পি এস সিনা রন্নর্সঅপ তাখি।

# মণিপুরগী সব-জুনিয়র হোকি টিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৬ (ঐচ এন এস) :

ছটিশগরগী রাইপুরদা থা অসিগী ১১দগী ২২ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৯শুবা হোকি ইন্দিয়া সব-জুনিয়র মেন নেসনল হোকি চেম্পিয়নশিপদা শরুক য়ারুগদবা মণিপুরগী শান্নরোয় ১৮ অমসুং ওফিসল অনী ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে হায়রি।

৯শুবা হোকি ইন্দিয়া সব-জুনিয়র মেন নেসনল চেম্পিয়নশিপ ২০১৯গী দিভিজন এগী কাঙলূপতা মণিপুরগী টিম অসিনা টুর্নামেন্টকী অহৌবা নুমীৎ মে ১১ দা ওরিষাগী হোকি গেঙপুরগা লম্বা তৌনরগনি।

ঙসি ইম্ফাল থাদোকখিবা শান্নরোয় ১৮ অমসুং ওফিসল অনী অদুদি, য়েংখোম সেমসন, লিসম সুশিলকুমার, তোঞ্জম রিকি, থোকচোম ষ্টেফেন, কোন্থৌজম দিলিপ মৈতৈ, ৰাহেংবম গজেন্দ্র, তালেম দেনিক, নিংথৌজম্বম অমরজিৎ, কৈশাম রোহিট মৈতৈ, তখেল্লম্বম নিরজ, য়ুম্লেম্বম নেলসন, অধিকারিময়ুম সুরেশ শর্ম্মা, ইরেংবম রোহিট, য়ুমখাম বিদ্যানন্দ, থোকচোম অবুংঙো, থোকচোম থোংলেন, খাঙেম্বম সোমিকান্ত অমসুং তখেলচংবম অনিশ শর্ম্মানি। টিম অসিবু লুচিংদুনা চৎলিবা ওফিসলশিং অদুদি, কোচকী থৌদাং লৌরিবা কে ঐচ ধনঞ্জয় অমসুং টিম মেনেজর এন রামেশ্বরনি।



HL-B/5369/3/5-30/6

BUSINESS LOAN AVAILABLE
(Rs. 1 Lakh to Rs. 20 Lakh) 12% P.A.

1. Grocery Shop, Electronic Shop, Gold Shop, Hotel and Fast Food Shops, Cloth Shops, Chicken and Feed Shops, Cosmetic Shop. Wholesaler Shop and any types of Business Loan available.
2. Agri & Horti items :- Fish Farmer, Mushroom Farmers, Vegetable Farmers, etc.
3. Pension Loan available :- 1%, 1.5%, 2%, 2.5% & 2.75%
4. Machinery Items (Stone Crusher, Carpentry Machine, Flex Printer, Embroidery related Equipment, Incubator, Beverage শেম্বা Machine, Car Wash Machine Set, Iron Soldering Machine, Workshop Equipment, Rice Mill অসিনচিংবা।

N.B. :- Manipur গী মফম খুদিংমক্তা লৈবা থবক ফংদ্রিবা মীওই খুদিংমক অমসুং মরুওইনা নৌনা Business তৌনিংবা অমসুং হান্না মপুং ফানা তৌদুনা লৈরিবা নহারোলশিংদনা হেন্না খুদোংচাবা পীজগনি।

EMPLOYMENT NEWS : OFFICE ASST. (KAKCHING, SAMUROU, NAMBOL, THOUBAL, MOIRANG), Car Driver, Security, Mechanic & Gr-IV, Legal Advisor, Computer Operator, Chowkidar
DOFSERA At LG MOTORS BUILDING (2nd FLOOR)
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI (HQ), IMPHAL
Mob : 9383154085 Office Hour : 10:00 am - 04:00 pm.
HL-B/5368/3/5-30/6



HL-B/5359/28/4-26/6

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com